# ঐ অমসুং ঈশ্বর

- এস ইন্দ্রকুমার-



মফাং মফাংলবা লন্বীদা চৎলুবা লন্বী চৎপা অমগুম, ঙসিগী ৱারেংসি করম্বা হীরমদা ইসিগে... ৱাখল লম্মুক্নরিঙৈ নীংশিংলকই - ফ্রেঞ্চ ফিলোজোফর, রাইটর অমদি জর্নেলিষ্ট, ১৯৫৭তা লিটরেচরগী নোবেল প্রাইজ ফংখিবা 'অলবর্ট কেমস'! মাগী মপোক নুমিৎ নৎত্রগা লৈখিদবা নুমিৎ তাবগী নত্তে। নবেম্বর ৭, ১৯১৩দা পোক্লগা জন্যুৱারী ৪, ১৯৬০দা লৈখিদবা, মশাগী চহী ৪৪ খক্তা ঙায়রিঙৈ নোবেল প্রাইজ ফংখিবা, সাহিত্যদা নোবেল প্রাইজ ফংখিবা, অনীশুবা খ্বাইদগী নহা ওইবা মীশক্নি। 'দ জঙ্গল বুক' অমসুং 'দ মেন হু ৱুদ বি কিং' গী অইবা 'রুদয়ার্দ কিপ্লিং' না মশাগী চহী ৪১ শুরকপদা মনা অসি ফংদুনা (১৯০৭) খ্বাইদগী নহা ওইবা নোবেল প্রাইজ ৱিন্নর ফোর লিটরেচর ওইরি। ফিলোজোফিকল ওইবা অইবা-তাঙনা থোকপা, মরাঙ কায়দবা অইবনি। মীবু কোক চীকহনবা ৱাখল ঈপাক্তা চিংথবা মখোয়গী ৱাহৈ-ৱাতা, ৱাঙাঙ-শঙাঙ অমদি খূৎই-ৱাখল ঈপাকসিদা মরক মরক মোংলকই। মশাগী চহী ৪৬তা ঙায়রিঙৈ তাইবঙপান থাদোকখিবা অইবসি ঐনা খোয়দাজবা অইবা খরদুগী মরক্তা অমনি। রবিন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'গীতাঞ্জলি', পর্ল এস বক'কী 'দ গুদ অর্থ'তা পীবগুম, অলবর্ট কেমস'কী অখন্নবা নোভেল/দ্রামা নৎত্রগা অতোপ্পা মখলগী অখন্নবা লাইরিক অমত্তদা পীবা নৎখিদে। ৱিন্সতন চর্চিলদা পীখিবগুম মহাক্না তৌখিবা থবকশিংগী খূত্থাংদা পীখিবা সাহিত্যগী খুদোলশিংবু ইকায়খুম্নখিবনি। অনৌবা মীরোল অসিগী চরাংনরবা কোকসিদা হংলিবা চমন্নবা ৱাহং কয়াদা মঙাল পীবা সাহিত্যগী খুদোল কয়া তৌরম্বগীদমক নোবেল প্রাইজ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপনি... নোবেল কম্মিটিগী ৱারোলদুদা পল্লি। ...'ঐগী পূন্সি অসি মীওইপোক অসিগীদমক য়াম্না মরু ওইবনি হায়বা ঐ খঙই, অদুবু, মরক মরক করিগুম্বদা হিংলুবগী কান্নদ্রবা মপোক অমনি-খল্লকপসু য়াওরকই'... 'ঈশ্বর লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বা ঐ খঙদে, কনানসু চপ চানা হায়বা ঙম্লোই... লৈরম্লে ফরে, লৈরমদবা থোক্লবসু, ঐখোয় ময়াম চঙদুনা, অমা শেমগৎলমগদবনি'...। 'ফ্রেদরিক নিচস'কী ৱাহৈ... 'ঈশ্বরদি শিখ্রে, ঐখোয় ময়াম্না মহাকপু হাত্তোকখিবা কুইরে' হায়বদুগী তায়ওন্নবা ৱাহৈনি।

ৱারেংসিগী শৈহৌ ওইনা 'অলবর্ট কেমস'পু নীংশিংলুবা-অতোপ্পা মরম অমগীনি। ঈশ্বর থাজবা/থাজদবা, লৈ/লৈতে মরৈদুগী শরুক অমা ওইনা ইজনীংলুবা নত্তে। লাই লৈতে... ঐ মাবু থাজদে... মতম অসুপ কুইবসি য়েৎপমখৈ য়েৎলুরগা, ঙসিদি ঐ খঙলক্লে- 'লাই লৈ। ঐ মাবু থাজে'... হায়বগা চপ মান্নরম্লে। মরমদি, ঐখোয়না সূপখঙ খঙদবা পোৎশক অমবু লৈ/লৈতে, চুম্মি/লাল্লি-য়েৎনরুবই কান্নবা করিনো... খল্লকপনি, কাইনথং'। খঙদবা, উদবা পোৎশক্তুদি, মাগী মাগী ৱাখলনা শাগৎপা শক্তম অদু অচুম্বনি। অরানবনি হায়নবগী ওথোরিটি-কনাদা কনানা পীবগে?

কেমস'না হায়রিবা - 'লাই লৈ/লৈতে-মহাক খঙদে... লৈরমদবা থোক্লবা করিগুম্বা ঐখোয় ময়াম চঙদুনা লাই অমা শেমগৎলমগদবনি' হায়রিবসি করিগীনো? হান্না লৈরম্বা থোক্লবদি মাগী মফমদা ঐখোয় করি তৌগদগে- হায়বদুদি হায়রমদে। অলবর্ট কেমস - মতম চূপ্পদা পোৎশক অমগী লেঙদবা মশক অমখক্লা মরোইরে হায়বা ৱাখল খনখিদে। ঐখোয়না উরিবসি নত্তবা অতোপ্পা মশক অমা লৈরমগনি হায়বসিদা মহাক থাজখি। অমম্বগী ওপোজিৎ অঙানবা, অৱাবগী ওন্নবদা নুংঙাইবা। লাই থাজবা কাঙবুনা লাই-খুরুম্বা (প্রেয়র/প্রার্থনা) পাঙথোক্লবদি, লাই থাজদবা কাঙবুনদি করি তৌরম্নি? মহাক্না খনখি-'মীওইবনা, মশানা তৌরুবা/তৌখিবা থবক্কী ফত্তবা ফল ফংবদা নংলিবা অৱা-চৈথেং, পেন্দ-ৱাকৎ... পূম্নমক্কী তাইনফম, ঈশ্বর মহাক লৈরমদ্রবা-কনাদা তাইনরমগনি'... 'মায়পাকপা মীকুপ নিরগা, মায়থীবা মীকূপ পীরকপগী অশাওবা-কনাদা ফোঙদোক্লমগনি'... 'অৱাবা শরুক য়াওদবা, নুংঙাইবতা মশরুক ওইবা পূন্সি অমা পীবিয়ু-কনাদা নীজরমগনি'...?

পূম্নমকসি - 'লাই লৈ' খনবা থাজবদুনা মরম ওইরগনি। অদুননি, কেমস'না, মহাক লৈরমদবা থোক্লবসু 'অমা' শেমগৎলমগদবনি হায়রম্লিবা। মীওইবগী মরমচৎ-মুন্না খঙই কেমস'না।

'লাই' কৌবা শক্তি লৈবা, তৌগে'তা ঙম্বা, পুম'ঙম ঙম্বা মহাক্তো-তরং তরং চোংথোক্তুনা মীৎমাঙসিদা লৈরম্বা থোক্লবা করিগুম্বা, ঐখোয় ময়াম চঙদুনা মাবু হাত্তোক্লমগনি? অদুননি, মহাকপু শকউদবা মমি ওই', ঈৱায়-ইনিন ওইনা থনম্লিবা! ৱাখল খনবা হৈতবা মীওইবা ওইনা লৈরিঙৈদা ফরম্মী। ৱাখল খনবা হৈরকঙৈ- মীওইবনা খল্লকই... নুমিৎ-থা-থৱান্মীচাক, তাইবঙপানসি ঈশ্বর মাগী খূৎশেমনি... মালেমসিসু মাগীনি, লেঙলি পাল্লিবা থৱায় পানবা-পান্দবা, মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ, উপাল-ৱাপাল-হৈপাল-লৈপাল-পূম্নমক মানা শেম্বনি... ৱাৎপা লৈত্রবা পূক্কৈনি, পীথোকপগী লোইনাইদবা... মীওইবদই ঈশ্বর'না পীয়ু হায়রক্কদবা লৈতে পোৎশক অমত্তা। মীওইবনা মী ওইনা তাইবঙসিদা পোক্লিবা, ঈশ্বর মাগী থৌজালনি... মী ওইবা ঐখোয়সি ব্রহ্ম-দেবই খূৎশেমনি, বিষ্ণুনা য়োকপী-থাকপীবনি, মাঙহন-তাকহল্লিবসু মহাঈশ্বর মাননি... মীওইবগী ৱাখল-পূক্কৈ, মাগী থৌজাল ঙাক্তনি... ৱাহায়শিংসি ঐহাক্তি থম্মোয়সিনা য়াখিদে। বুদ্ধ-জিসস-মোহম্মদ, মহাপ্রভু চৈতন্য-মখোয়না মঙাল ফংখিবা ঈশ্বর' - থৌজাল ওইরবা-মখোয় খক্তদা করিগী? মখোয়গুম্বা লীশিং লীচা-মাগী মিখ্তৈ কাউদবা, মাগী থৌগল শোয়দবা, ৱাচূমসুবা কয়ানি তাইবঙসিদা পোকখিবা। মখোয়বুদি করিগী অমম্বদা থনম্লি? ফংবা নাইদ্র' মহাকপু থিদুনতা থম্লিবনা করিগী? পাউখুম ফংদ্র'ৱাহংনি হায়দুনতা লাক্লবা। হংবা তোক্লে ঙসিদি। পাউখুম ফংলে, ইশানা ইশাদা পীজবা। ঐগী, মী ওইনা পোক্লুবগী ইথৌদাংনা অমনি। ঐখোয়গী ৱাখলনা শাগৎপা ঈশ্বরগী থৌদাংনা অমনি। থৌজাল হৈবা ঈশ্বর, মীনুংশি খঙদবা ঈশ্বর-ঈশ্বর মখল অনী লৈতে।

চহী খরগী মমাঙ, মরুপ অমই ময়ূমদা হায়-টি-পার্টি অমদা, চহী কুম্থ্রামুক্কী মমাঙ, থবক্তগী পোত্থাদ্রিঙৈ তিন্নরম্বা, দিপার্টমেন্ট'তি পূনখিদবা মরুপ অমা থেংনখি। খঙহৌদনা থুংলবা, থাজদবা মীকুপ অদুদা, ঐসু মাসু ঙক্লখি। খরা হেন্না ঙকখিবদি ঐহাক্লি-হান্নগা সুপমান মান্নদবা মাগী মতৌদু উবদা। লাইবক্তা চন্দন, লাইনীং-ফিজোল, মোং হাদবা ৱাঙাঙ, চীং-লেম্বা মতৌ-মাঙখিরম্লে পূম্নমক। হ্বিস্কি ব্রান্দি, পনবা য়াদবা ৱাহৈদু পামজবা ৱাহৈ ওইরম্লে। সুরদাস, মিরাবাই, কবিরদাসকী ৱারী-মরুপ খরা পুনবদা চীনবানগী লৈতেং ওইরম্বা, মচীনবান্দা পক্লমদ্রে। কুচু-কুমেন ফজবা, ফিজোল খুদিং পকচবা-লেমজবা মতৌদু মাঙলম্লে। মকশিল্লবা মায়থোঙ, চমোৎনবা ফিজোল, ফাইরবা লৈয়েং-চুমদ্রবা ফিরেপ... ইমীৎসিবু থাজখিদে, ইনাকোংসু থাজখিদে।

- করিনো মরুপ? ঐনা ঙসি উরিবা নঙগী শক্তম অসিবু...'ঐগী ৱাহৈ লোইদ্রিঙৈ, মানা মরক থৎলকখি, 'ঐ লাইনীংবা তোক্লে মরুপ! খল্লমগনি নহাক্না ঐগা মায়োক্নরবা, লাইগী ৱারী শারক্লনি... ঙসিদি ঐ মাগী ৱারী তানীংদ্রে, মাগী মমিং পন্নীংদ্রে-মাগী ৱারী হংলক্লনু... মাবু ঐনা থাজখিবা, মাবু ঐনা নীংখিবা ইশামকপু কত্থোকখিবা, মাগী থৌগল তৌখিবা... ঙসি ঐনা ফংলিবা ইপারী অসি ফংনবরা?'... ময়াম পূম্নমক, মরুপ্তুগী মতৌদু কুম্মৈগুম্না য়েংনখি। মাগী খোঞ্জেল নত্তনা কনামত্তই খোঞ্জেল তাখিদে...'ঐনা লৌশিং তারকঙৈদগী, ইপানা তাক্লম্বা লন্বীসিদা চৎতুনা, ঈশ্বর মানা পাম্বা থবক্তুতনি তৌদুনা লাকখিবা, মানা পামদবা থবক অমত্তা ঙসি ফাওবা তৌখিদে... পূম্নমক্তু ঐহাকপু 'সিগুম্বা পূন্সি অমা লেনহন্নবইদমক্লা... ঐ হৌজিক লাই নীংদ্রে... লাই নীংবা তোক্লে...মানা পামদবা লন্বীদুদা চৎপা হৌরে... মানা তৌনু হায়বা থবক্তুদমক তৌরগনি হৌজিক'...।

মাগী মতৌদুদা খনখি ঐ-ঈশ্বর হায়বদু মমাঙদুদা অহিংবা ওইনা-লেপ্পল্লবা করিগুম্বা... চর্চ/মন্দির/মসজিদ' তা ৱাফংনবা য়ানা ফল্লম্লবা - মহাক শোয়দনা মফমদুদা চত্তুনা ৱাফংনরম্নি নৎত্রগা ঈশ্বর মাবু হাৎলমগনি শোয়দনা। খঙলকই কোন্না, মমোম অহুমগী মতুংদা তাঙনা ফংখিবা, নুংশিরবা মপারী 'য়োইময়াই' - নোংমতসু 'পাপা-মম্মা' মিংগৌরকপা ঙমখিদে, মমা-মপা অনীগী খুজেং পালোইনদুনা খোঙকাপ অমত্তসু চৎঙমখিদে। মপারীগী নুংশিবা মিংগৌ অমত্তং তানবগী ঈখৌদা মতৈ-মনাও অনীগী লৈজবা লন-থুম, লোক্তাক্তা থুম থাদবগুম তুমখিবনি।

মদুগী তুং, মরুপ অদু উন্নখিদ্রে ঙসি ফাও। খঙদে-তাইবঙসিদা লৈরমখিগদ্রা? তাইবঙসিগী ৱাংমদা, তাইবঙ-মপু' মনাক্তা কৌরম্লদ্রা থেম্নবা! তাইবঙসিদা লৈরি'মখৈদি খঙই ঐ-কনানসু থেম্বা য়াররোইদবা মরুপ্নি। ●

# অইবী মুতুম রমনীগী ৱারীমচাগী লাইরিক 'লোইশিল্লম্লবা ফাইল' লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা

- তোংব্রম অমরজিৎ -



মুতুম রমনী কুমজা ১৯৬১গী জুলাই ১৮দা খুরাই চীঙ্গাংবম লৈকায়দা লৈবা মুতুম মাঘো অমদি কোন্থৌজম নিঙোল মুতুম ওংবী দসুমতি অনীগী মচানুপী ওইনা ফংজখি। মচিন-মনাও মঙাগী মনুংদা মহাক্না ইতোন তোনবীনি। অইবীগী মহৈগী থাক এম এ, এল এল বিনি। মতম খরা প্রাইভেট কোলেজগী ওজা ওইরম্মী। মশামক উকিলগী শিনফমসু পায়রম্মী। ইম্ফালগী থোকচোম লৈকায়দা লৈবা থোকচোম হোনিগা যূম্বাল লন্বীদা খোঙদামিন্নদুনা মচানুপা অনী হীয়ায়রেন অমদি য়োইমারেন থোকচোম ফংজখি। নুপীশিংতগী ওইবা লোইনশিল্লোন লূপ অমা ওইরিবা লৈকোলগী পেত্রোন মেম্বরনি, প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএশন, মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি অমদি পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী লাইফ মেম্বরনি। 'লোক্তাক লাইরেম্বী খোরিরোল মনা' কৎতুনা খোরিরোলবু চাওখৎনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলি। ফোঙখ্রবা অমদি মনা ফংখ্রবা লাইরিকশিং - *থম্মোয়না খোইদাজবা গুলাপ* (শৈরেং, ১৯৮৯), *লৈচিলগী ইন্নফি* (শৈরেং, ২০১৯) লাইরিক অসিনা 'ঈপাক লিটরেরি এৱার্দ' ২০২০ অমদি 'প্রিয়সখি নীংশিং সাহিত্য মনা' ২০২১ ফংখ্রে। *ইঙাগী নোংজু* (শৈরেং, ২০২০) লাইরিক অসিদা পব্লিক লাইব্রেরি, পোইত্রি এৱার্দ' ময়াং ইম্ফাল অমসুং *করম্না থেমগনি* (শৈরেং ২০২২) হায়রিবা লাইরিক অসিদনা 'হাওবম সনাজাওবা লোইনশিল্লোন নীংশিং মনা ২০২২ পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রবী অইবীনি। কুমজা ২০২৩দা 'পন্থৌ য়ূমজাও নুংশিবা' ফোঙখি। ৱারীমচাগী লাইরিক *মাক্লং তুরেলগী ঈথক ঈরৈ* লাইরিক অসিদা প্রোগ্রেসিভ রাইটর্স এসোসিএশননা কুমদম মনা ২০২০-২০২১ পীখি অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনা পীবা 'এলাংবম দীনমনি সাহিত্য মনা ২০২২' ফংখি। অইবীগী ৱারীমচাগী লাইরিক *ফোংঙমদ্রবা চৈনাখোল* দা 'সিনাম তনুবাবু মেমোরিএল ইন্টরনেশনল এৱার্দ ২০২২' মণিপুরী শোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি ইন্দিয়ানা মনা পীদুনা ইকায়খুম্নখি। অইবীগী ঈশৈ ময়েক্তা শৈপালনা 'ডা. ময়েংবম কমলা সৈরোল মনা ২০২২' পীদুনা শকখঙবা অমদি ইকায়খুম্নবা উৎখিবা লৈরে। হন্দক খ্বাইদগী নৌনা পুথোক্লক্লিবা ৱারীমচাগী লাইরিক *লোইশিল্লম্লবা ফাইল* অসিনা অইবীগী নিপালশুবা লাইরিক্লি। অইবী রমনী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা সেক্রেটরি ওইনা থবক পুরম্লবা মতুংদা হৌজিক্লা থবক্তগী পোত্থারে। ইবগী লম্‌সিদা য়াম্না নহা ওইরিঙৈদগী পামজরকপা ওইবনা ঙসিদি লম্বেল অসোমদা লেপ্তুনা খোঙ থাংজিল্লক্লিবী অইবীনি।

মীওইবগী পূন্সিদা থেংনরিবা অৱা-নুংঙাই, অপেন-পেন্দা কয়া, খুন্নাই অমদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং, মসিনা পীরিবা ইম্পেক্ট কয়া অইবশিংনা নৈনরি। ৱারীমচা ইবশিংনা ৱারী ওইনা লীরকই নুংশিরবা ৱারীশিং। পাউজেল অমদি অদুম পীনবা হোৎনরি হায়বসি থৱায় য়াওনা পারকপদা অদুমক থেংনবীগনি। হন্দক ফোঙলক্লিবা অইবী রমনীগী ৱারীমচাগী লাইরিক 'লোইশিল্লম্লবা ফাইল' অসিদা ৱারীমচা ফজবা কয়া থেংনবীগনি। লাইরিক অসিদা পূন্না ৱারীমচা ১৮ য়াওরি। 'ইবোক্কী চাক্কৌবা' হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অমনা অহানবদা য়াওরি। অদুগা 'ত্রেনদি য়ৌশিল্লক্লে' হায়বসিনা অরোইবা ওইনা হাপ্লি। 'ইবোক্কী চাক্কৌবা' য়াম্না নুংশিবা ৱারীমচানি। মমা মপানা মচাশিংবু চাউনবা য়োক্লক্লগা, মখোয়বু মীমান্নবা ঙম্নবা হোৎনরক্লগা মমা-মপা অহল মতম ওইরক্লবা মতমদা অহল ওইরবা মমা মপাগীদমক নীংথিজনা থৌগল তৌবীবা ৱাৎপা অমদি নাইতোম তারক্লবা পূন্সিগী তাঙ্ককশিংদা মখোয়বু লুনা নুংশিনা লোয়নবীবগী মহুত্তা ওল্ড এজ হোমদা থমজিনবীবা অসিগুম্বা মতমসিগী চৎনবী অমগুম লাক্লিবা থৌওং অসি অফবা নত্তে হায়নীংলি। ৱারীমচা অসিগী নেরেটর অসি দেল্লীগী স্কুল অমদা ক্লাস সিক্স তম্লিবা নুপামচা অমনা মহাক্না উরিবা থেংনরিবা মহাক্কী ইমুংগী অমদি নুংশিরবা মবোক্কী মরমদা লীবা ৱারীনি। মশুশিংনা মবোক্কী নঙ্গন্দা নাওথি শারকপা, থাবল ফরবা অহিংদা থা থা থাবুংতোন শক্তুনা নাওশুম ঈশৈ শকখিবা, মবোক্না চাক চামিন্নখিবা, মবোক্না মখোয় উবদা হরাওজবা, মশুশিংগা মপু মবেন ওইবশিংগা লৈনরিবা থম্মোয়গী নুংশিবা মরী পূম্নমক নেরেটর ওইরিবা নুপামচাসিনা হৈনা শিংনা নীংশিং লমায়দা অমদি প্রজেন্ট কন্টেক্সতা পুশিল্লক্তুনা অইবীগী হৈ-শিংবা খূৎইনা ফোঙদোক্লিংলিবদু ফোঙদোক্লবা হোৎনরি। অঙাং নুপামচাসিগী মপা অসিমক মপু মবেননা লাইফম কয়াদা চৎতুনা লাইদা নীজরগা পোকপনি। মপুবোকনা ঙন্না তাইবঙপান থাদোকখ্রবা তুংদা মবোক অসিনা মপাবু মী ওইনা শেম্লকখিবনি। অদুবু মতাংনা মতম্না য়াদদুনা মবোক অহল ওইরবীদুবু ইম্ফালগী যূমদুদা থনম্লগা মখোয়না দেল্লীদা লাকখি। অঙাং নুপামচাঅসিগী মমানা মবোকপু য়াম্না নুংশিবগী অমদি ৱাজবগী মমি তাদে। মসিসু হৌনবী ওইবরা হায়না মদোম খল্লি অঙাংসিনা। মনেমশিংবু মমৌশিংনা নুংশিনা লোয়নবীবা পামজবগী পাউজেল য়াওরি। অহল ওইরবা মমা মপাবু পোৎলূম ওইনা খনবসি অরানবনি হায়বগী পাউজেলসু পীরি। ৱারীমচা অসিগী তাঙ্কক অমদা অসুম্না ইরি, "...ঙসি ইমাবু লৌশিল্লুসিরা খল্লিবনি/ঙসিমক্লা/উম।/মমাঙদসু মহাক লাক্লিংখিবনি। মতমদুদা ইমাদো মশা য়াম্না ঙমখিদে। ঐনা হপ্তামুক লৈবদুদা মশাদো খরা ফগৎলকখি। ঐহাক থুনা লাক্লনি হায়রম্লগা দেল্লীদা হল্লকখিবনি। নর্স অমদা শিন্নরম্লগা ইমাবু যূমদা থনম্বনি। মতমদুদা নহাক্না ৱাখল তারম্লবদি ঐনা ইমাবু দেল্লীদা পুরক্লমগদবনি..." (লা: ৪) মখোয়না দেল্লীদগী থোক্লক্তুনা মবোক্কী খোঙ্গুল লীরকপদদি ওল্ড এজ হোম অদুদগী অমুক ওর্ফান হোমদুদগী যূম পানখিবী নিঙোলশিংবু মহাক্কী পেন্সনগী শেলনা চাক্কৌবীগনি হায়দুনা চৎখিদুনা থেংনরকখিদে। অঙাং নুপামচা অদুগী থম্মোয়দা লৈরিবা মবোক নুংশিবদুদি তাইবঙগী অরং অরাক্কী পূন্সিনা মহুৎ শিনবা খক য়াদে। ৱারীমচা অসিদা শাগৎলিবা থম্মোয়গী ওইবা মাঙফদ্রবা, তৎফদ্রবা মরী অদুদি মতম লৈরিঙৈদা মতাং চারিঙৈদা ফোঙদোক্কদবনি অমদি থবক্না উৎকদবনি হায়বদু ফোঙদোক্লি। নুংশিবা ৱারীমচানি হায়জনীংই।



লাইরিক্কী মমিং :- লোইশিল্লম্লবা ফাইল
(২০২৫)
অইবা :- মুতুম রমনী
অফোঙবা :- অশাংবা কম্যুনিকেশন, ইম্ফাল
লাইরিক্কী মখল :- ৱারীমচা
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৪৫০/-
লমায় মশিং :- ২২৪ (মীতৈ ময়েক য়াওরগা)
লাইরিক্কী মখুম :- তোংব্রম অমরজিৎ



লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা ৱারীমচা 'লোইশিল্লম্লবা ফাইল' য়াম্না চংখোল্লি, ফজদে হায়বা য়ারোই। ৱাকিং ৱিমেন্স অমনা থেংনবা ইমুং-মনুংগী অমদি খুন্নাইগী ইস্যুশিং তেন্না ফোঙদোক্লবা হোৎনরি। লাইরিক অসিগী লমায় ২৮দগী ৩৬ ফাওবা শাংবা ৱারীমচা অসিদা মরু ওইবা প্রোটাগোনিষ্ট অসি জামিনীনা ওইরি। যূম পাল্লবী অমদি লৈঙাক্কী অচৌবা ওফিস অমদা খ্বাইদগী ৱাংবা পোষ্ট অমসু পায়দুনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবী যূম্বুরেম্বী অমনা পূন্সিদা থেংনরিবা দোমেষ্টিক ইস্যুশিং ইমোস্নেল অমদি মেন্টেল ইস্যুশিং ময়েক লানা ফোঙদোক্লবা হোৎনরি। ওফিসকী থবক ময়ামসু মতম চানা লোইশিন্দবা য়াদবা, হায় লেভেল মীটিংশিং এটেন্দ তৌদবা য়াদবা, যূমগী মনেস্নোক অশোনবীগী থৌগল, মপুরোইবগী থৌগল, মচাশিংগী মনিং থুংনবা হোৎনবা, ইমুংগী কুপ্নোমশিং, মসিগী শরৈদা জামিনীনা কয়াম ৱাজরিবা। জামিনীগী থম্মোয় চাউবা মতৌসু মতাং চানা ফোঙদোক্লি। ওফিসতা থবক তৌরিবা গ্রেদ ফোর অমগী মচা লায়েংবদা মতেং ওইনবা হায়দুনা শেল মতেং পাংবগী মতাং অমদা। মিনিষ্টরশিংগা মীটিং তৌবা, চে চাং পূম্নমক মতম চানা লোইশিনবা, চেকশিন্না শুবগী মমি তারি। নুপী ওইরবসু থবক তৌবদা অহোবা লৈহন্দে অদুবু মতোমতা হংজরকই, "থবক তৌরবসু পেন্দবা, পামদবা ময়াম অমা থেংনৈ। পামদবা মরক্তা ইশাসু য়াওদবা য়ারক্তে। পূন্সিগী নুংঙাইবা হায়বসিবু করিনো? শেলনা, অকে অমৌনা মীওইববু পোত্থাহনবা, শান্তি ফংবদি ঙমদে" (লা:৩৩) জামিনী মপুরোইবা ইশৌ লাংই। মাগী নুপীগা অন্দর্ষ্টেন্দিং কয়া লৈতবগী মমি তাই। মচাশিংনা মমাগী অৱাবা কয়া থোইনা উবীদবগুম উৎলি। মখোয় খরখক লৈবদো ইমুংদা নোংমতা হরাও নুংঙাইনা চাক চামিন্নবা ফংদে হায়না জামিনি মতোমতা পেঞ্জদে। অদুবু ঙল্লিবমখৈ হোৎনৈ। ওফিসকী ফাইলশিং মতম চানা শুনবা হোৎনজৈ। থবক্কী প্রেসর ময়াম মরক্তা ইমুংদা মহাক্কী মপুরোইবনা হরাও তরামদবা মতৌদা ৱাখল নুংঙাইজদে জামিনী। মনেম অশোনবীগী থৌগল, ইমুংগী কুপ্নোম পূম্নমক লোইশিল্লগা পোত্থানবা হোৎনখি নোংমা অহিং অমা। নোংঙাল্লকপদা মপুরোইবনা অযূক ৱাকিং চৎলুরগা হল্লকপদা জামিনী তূম্বা হৌগৎলকমন্দ্রে হায়দুনা হন্না হন্না কৌজখি অদুবু অমুক খুন্নকখিদে। মসিদা ৱারীমচাসি লোইশিল্লি। পূন্সিগী ফাইল অমা মখুম খুমজিল্লম্বগী মওংনি অইবীনা উৎনীংলিবসি। হিংমিন্নবদা পুকচেল খোয়জেল তিন্নবা, অমনা অমবু মশক খঙবীবা হায়বসি মীওইবা মরক্তা অমদি খুন্নাই অসিদা অসুক্কী মতিক মরু ওই হায়বদু ফোঙদোকপা ৱারীমচানি।

'ত্রেনদি য়ৌশিল্লক্লে' হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসিদা ফোঙদোক্লিবা মরু ওইবা থিমদি মণিপুরদা ঙসি মপান লমদগী লাকপা শিন্মীশিংনা হিংনবগী লানফমদা থবক শুবা নোম্বদা চিলহাও থিদনা হোৎনরিবা অমদি লমদম অসিগী মীওইশিং থবক শুবদা হোরেন হয়েং তৌদুনা মতমগী ভেল্যু অমদি সিরিয়স ওইদবা মতৌশিং ফোঙদোক্লি। বিহার, বেঙ্গল, ওড়িষা, যু পিনচিংবা মপান লমদগী লাকপা নন লোকলশিংদা যূম শাবগী জুগালি, মিষ্ট্রি ওইরম্বদগী মমৈথংদা য়োৎ সিমেন্ট অমদি অচৌবা দুকান ফমদুনা লমদম অসিদা যুম্লিং খুল্লিংলকপা শক্তম অদু ময়েক শেংনা লীবা ৱারীনি। হেন্না ফজরিবদি গঙ্গাধরনা বিহারদগী মণিপুরদা থবক শুবা লাক্লগা হাপ্তা গোলাপতিদা নুপী অমা লুহোংদুনা হিন্দু ওইরম্বা মহাক্না মুস্লমান ওইদুনা মিং ফাওবা হুসেন কৌরমদুনা য়োৎকী দুকান ফম্লম্বদুনি। মসিদা অইবীনা হায়নীংলিবদি হিংনবগী লানফমদদি পূম্নমক মায়োক য়াবা তাবনি হায়বসিনি। গঙ্গাধর বিহারদা মাগীনি হায়বদা কনাসু লৈত্রে। অদুনা মণিপুরদা লাক্লগা মীতৈলোলসু ফজনা ঙাঙনবা হোৎনদুনা অফংবা থবক শুদুনা চাদ-মখৈ নাগামপালদা অশানবা যূমদা লৈরগা চহী খরগী তুংদা মশাগী পূন্সিগী নে তাবা ফীভম অমা শেম্বা ঙল্লিবা অসিগুম লমদম অসিগী য়েলহৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা কয়া য়াম্না হোৎনরিবগে হায়বসি ৱাহং অমা ওইরি। ত্রেনদি য়ৌশিল্লক্লে অদুবু ঐখোয়দি করি থৌরাং তৌরিগে, কয়া য়াম্না থবক শুবা চৎপা ঙম্লবগে হায়বসি হংনীংঙাই ওইরি।

মথং-মথং ফজবা ৱারীমচা কয়াসু ইরক্কনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

# লোক্তাক ইমাগী মশাইকোন্দা ৩শুবা কালেন আর্ট এগজিবিশন ২০২৫ # ২০

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

**লোক্তাক ঈশা ৯গী ৭শুবা শাইরোং পাৎ :-** শাইরোং পাৎ থাঙ্গ চীংগী লোক্তাক ঈশা ৯গী মনুংদা মরু ওইবা ঈশানি। ঈশা অসিবু পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'নোংলেল পাখঙব' কৌই। 'ঈলিল পাখঙব'সু কৌই। লাইনিংথৌনা শায়োল্লগা শমাংদোং ওইনসু তাওই। অসুম্না লাইনিংথৌনা মথি ফোংদুনা ঈওল্লিঙৈদা কনাগুম্বা তাইবঙনা থেংনরুরবদি মশাদা চৈবী চৈথেং পীয়ে। তাইবঙ অদু অমম্বা ওইয়ে। লাইনিংথৌ পাখঙবনা শায়োল্লগা মশানৌ খোইমোম লাইরেম্বী কৌদুনা শৈশকখি। মশানৌ ইবেম্মা কোরৌ 'তোংকা লাইপী' না মশাবীগী শৈশক শৈথারোন তাবদা থুপ্তুনা লৈবা ঙম্লক্তুদুনা মশাবীগী নাক্তা থুংলখিয়ে। লাইনিংথৌনা মশাবী থুংলরবদা হরাউ মথোই কাদুনা হুইদ্রিশাইরোং তেনকাপ তেন্দমখিয়ে। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা হরাও মথোই কানা হুইদ্রি তেনকাপ তেন্দমখিবা ঈশা অসিগী কোলোই 'শাইরোংপাৎ' হায়না খঙনখিয়ে।

ঈশা অসিদা নূংথোঙ পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'ঙাতানশিন্নপ' কৌই। লাইরেম্বীগী মিংনা 'ঙাশেল লৈম' কৌই। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা নূংথোঙ অসিদগী ঙারম ৭ পুথোকখি।

**লেনতাক :-** ঈশা অসিদা পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'কোরৌ সন-নরেং পাখঙব' কৌই। লাইরেম্বীনা 'লেমপুং য়াইপুবী' 'লিংচিংসনবী' হায়না লাইমিং অনী অমগা থোক্লা লৈএ। ঈশা অসিদা ইনুং পুঙ অমা লৈয়ে। পুঙ অসিদা লাইয়ামশিংনা তাকখিবা থুপখিবগী অথোইবা লেন ওইবা মফম্নি। মরম অসিদগী ঈশা অসিগী মমিং লেনতাক কোলোয়নৈয়ে।

**য়ুরান পন্দোন :-** ঈশা অসিবু পুবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অসি শায়োল অহুম-অহুম থোক্লা লৈয়ে। লাইনিংথৌগী অহানবা শায়োনগী মিংদি "কোরৌশারা পাখঙবা" কৌই। অনীশুবা শায়োলগী মিংনা 'লৈনুং শারা পাখঙবা' কৌই। অহুমশুবা শায়োলগী মিংনা 'তরং শরাব পাখঙব' কৌই। লাইরেম্বীগী অহানবা মিংদি 'ৱাংলেন শনবী' কৌই। অনীশুবা মিংনা 'লৈতোন শরাবী' কৌই। অহুমশুবা মিংনা 'লৈরক শন্দম্বী' কৌই। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা ঈশা অসিদা লৈবা ঈনুং পূংখোঙশিংবু পুইয়ে। অসিগুম্বা ঈখোঙশিং অসিদা ঈরিক শৌয়ে। ঈফুনারে, ঈখৌরক্লে, ঈখাইরক্লে শরাক ফুরক্লে। লাই হাক্তক্তগী অসুম্না ওইখিবা ঈশা অসিগী মমিং 'য়ুরান পন্দোন' হায়না খঙনরি। ঈশা অসিদা ঈরাৎ থৌরম পাঙথোকপদা কৌব্রুগী শুরুং, নোংমাইজিং চীংগী শুরুং অমসুং সনা ঈপাক্কী নূংফম শুরুংসু ফাওয়ে। মসি লোক্তাক ঈশাগী মরু ওইবা নূংথোঙনি। মসিবু পুরিবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা তাইবঙগীদমক মতম মতমগী ওইনা ঙারম ৭কী মনুংদা ঙারম অমদি নূংথোঙ অসিদগী হেক-হেক পুথোকপীরম্মী।



ফোটো - অলেক্স বাবু

**য়োৎপোকপী পুঙ :-** ঈশা অসিদা পুঙ অনী লৈ। পুঙ খুদিংদা লাইরেম্বী অমমমনা পুইয়ে। পুঙ অমদা 'শোলৌসনা হেনবী'না পুইয়ে। অতোপ্পা পুঙ অমদনা 'ঈখোঙমেনবী সনা হেনবী' কৌবী লাইরেম্বীনা পুইয়ে। শায়োল্লিবী লাইরেম্বী অনীগী মিংদি 'ঈনুং শিরিকপী' অমদি 'ঈনুং থিন্নহেনবী' কৌই। হায়রিবা পুঙ অনী অসিদা লাইরেম্বীঅনীনা ঙাৰৈমা ওইনা ঙাবু পুথোকখিয়ে। হৌজিক পুঙ অসিগী মমিং য়োৎপোকপী পুঙ কৌরে।

**ইথিং মমাঙগী পাৎ :-** ঈশা অসিদা পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'খোইদালেন পাখঙব' কৌই। লাইরেম্বীগী মিংদি 'অহোয়নু' (লাইহোংনু) কৌই। লাইনিংথৌনা অদুঙৈ সন-নচীংগী ঈশা সনা ঈপাক্তা লৈরিঙৈ, লাইরেম্বীনা মশাবীবু উননীংদুনা কোরৌ নুংবুম খুদিংগী মশাবীবু ঈশা অসিদা ঙাইজখিএ। মশাবীনা লাকমনদ্রবদা লাইরেম্বীনা পূক্লিং নুংশি নুংওন্না কোরৌ শিংবুম কয়াবু লেনজখি। মপু মহাক্কী নোংদমখোন্দগী নোংমদি লাইনিংথৌনা মশানৌবু নীংশিংলক্তুনা মশানৌগী নাক্তা লাকখিএ। লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা পূক্লিং হরাও তয়াম্না উনখিয়ে। কোরৌ য়াইফ নুমিৎ অদুদা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা য়াকাপুঙ অমা লাইজ ঈরোন্নুংদা থোনখিএ। পুঙ অসি ইথিং মমাঙগী ঈশা অসিদা লৈরিএ। লমগানবী, ইরুম্বী তুরেন্না তারকপা ঈশা লময়ায় ফুলক্কী খা থংবা ঈশা অমসুং 'মোইরাং খোংমৈ' ঈশা অসিদা পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'ঈথিল্লা পাখঙব' কৌই। লাইরেম্বীগী মিংনা 'খোই সনা' কৌই। লাইনিংথৌ অসিনা পাইমা পিবুক্লিংদা মশানৌগীদমক্তা নুংওল্লদুনা ঈশিং পুঙদা ইওল্লক্লে। লাইজ ঈরোলনুংদা লাইনিংথৌনা মশানৌ লাইরেম্বীবু ঙাইদুনা ঈরুমফমদা ঈরুমলক্লে। মশানৌনা ৱাংলেন মিকুপ অমরোম চেংলৌ শকপু উহল্লম্লগা লাইজ ঈরোলনুংদা থুপখিয়ে। মতাং অদুদা লাইনিংথৌনা অশাও পরৈনদুনা লাইরেম্বীবু তান্নরগা খুজেং পায়খি। মোইরাং খোংমৈ, লমগানবী তুরেলগী ইতাকফম ওইবা ঈশাশিং অসিদা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা পুইয়ে। তাইবঙ কনাগুম্বনা থেংনরুরবদি মশাদা চৈবী চৈথেং পীয়ে। তিনথুং লাইথুং থুংঙে।

**নুংজেংপাৎ :-** ঈশা অসিদা পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি কোরৌ 'ঈখৌলেন পাখঙব' কৌই। 'লৈনুং সনা লেপ পাখঙব'সু কৌই। লাইরেম্বীগী মিংনা 'ঈকপ থনবী' 'ঈনুংসেনবী' অমসুং 'ঈশা লৈম'সু কৌই। অসুম তৌনা লাইরেম্বী লাইনিংথৌ অনীনা লাইমিং অহুম অহুম থোক্লা শায়োন্দুনা ঈশা অসিবু পুইয়ে। ঈশা অসিদা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীনা শায়োল লাংওন তৌদুনা ইফুনাদুনা শান্নখি। অমুক্লা সন-নচীংদা লাল্লগা ফম্বাল তোংখিয়ে। হৌজিক 'নুংজেং পাৎ'তা লৈরিবা লাই অসি 'লাইকোলেন পাখঙব'না শায়োনবনি। লাইনিংথৌ পাখঙবনা ঈফু নাদুনা শান্নরিঙৈদা খোইজেং নুংদেংখিএ, খোইশাও লিনশাওখিয়ে হায়বগীদমক ঈশা অসিবু নুংজেং পাৎ হায়না কোলোইনখিয়ে।

**মোইরাং পাৎ :-** ঈশা অসিদা পুবা লাইনিংথৌগী মিংদি 'ঈলিনানবা পাখঙব' কৌই। লাইরেম্বীগী মিংনা 'ঈনুং লৈশিনবী'কৌই। লাইরেম্বীনা ঈথোল কারিঙৈদা লাইয়ামশিংনা হরাও চিনবুংনরিঙৈদা লিকফমনবীনা লিকহিকলিঙৈদা লিচল হৈবীনা লিরিকলিঙৈদা লিককোল হৈবীনা লিককোম্বা লমনে। মফম অসিবু মুলাং মোইরাং পাৎ হায়না খঙনৈয়ে। লাইশিংগী হাক্তক্তগী লাইজ ঈরোলনুংদা লৈরম্লে। ● (মখা চথজরকখিগনি)।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।